Google Play
Install Now
AHSEC Question Paper Arts Stream HS 2nd Year ASSAM
HS Arts Question Paper
BELLAL HOSSAIN MONDAL©

# 2012

# MANIPURI

(Modern Indian Language)

Full Marks – 100

Time – Three hours

| | |
|---|---|
| **Group - A** | **: (New Course)** |
| **Page No. 1–8** | **Q. No. 1–11** |
| **Group - B** | **: (Old Course)** |
| **Page No. 9–15** | **Q. No. 12–20** |

The figures in the margin indicate full marks for the questions.

## GROUP - A

## (New Course)

১। য়াম্না তেন্না বাহে অমা নত্রগা খরদংদা পাউখুম পীয়ু ঃ
১×১০=১০

(ক) মণিপুর "নোংপোক ভারতকী কাশ্মীর" — কনানা হায়খিবনো ?

(খ) খৃষ্টগী করম্বা শতাব্দীদা মণিপুরদা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী শাফু কন্না ফুজিল্লকখিবগে ?

Contd.

(গ) রবীন্দ্রনাথ অমসুং শরতচন্দ্র — বাঙ্গালাশংনা কনাবু হেন্না পান্নবগে?

(ঘ) থানিনজাউনা ইলিশা অদু মমল কয়াদা লৈখিবগে?

(ঙ) প্ল্যাটো করম্বা লৈবাক্কী দাশনিকনো (ফিলোসোফার)?

(চ) হিদাক লান্না শীজিন্নববু ইংরাজিদা করি কৌবগে?

(ছ) "লাউরক্কি তোর্বানগী মীনা
করিনো অঙাউবা হোঞ্জিন্নু।"
—'অঙাউবা' হায়রিবসি কনাবুনো?

(জ) "শৈশক নঙগী শৈপানবনা।" — পল্লিবসি কনাগী শৈশকনো?

(ঝ) "হৌজিক্তি রুদ্রগী তাণ্ডব জগোয়।" — 'রুদ্র' কনানো?

(ঞ) "খোঙলৈ চাবী নুজাগী
থোকউ থোকউবা খুৎথেকনি।"
— "খোঙলৈ চাবী নুজা" হায়রিবসি কনানো?

২। তেন্না ৱাহৈ-পরেং ২/৩ দা পাউখুম পীয়ু ঃ ২×৬=১২

(ক) অপাম্বগী বিভূতি ওইরিবা দুষ্মন্তনা করন্না নুংশিবগী বিভূতি ওনখিবগে?



BELLAL HOSSAIN MONDAL

(খ) "অসুন্না অনিমক শিবদুর্গাগুম্না ঙাম্থোইহনবা য়াই।"
— "অনিমক" হায়রিবসি কনা কনানো?

(গ) মণিপুরগী মপান্দা চেঙ থাবা কনান করি হায়না থিংখিবগে?

(ঘ) চহী কয়াদগী কয়া ফাওববু এডোলেসেন্স (Adolescence) হায়না খঙনবগে?

(ঙ) "সত্যম, শিবম, সুন্দরম" -- হায়রগা করি খঙবগে?

(চ) ইউ, এন, ও, -গী মপুং ফাবা ৱাহৈশিংদু ইয়ু।

। মোইরাং লৈবাকনা নগর রাজ্য ওইবা মতমদা চনুরাশিংগী থিভম করি হায়না লৈরম্বগে? ৪

নত্রগা

"মহাক্কী মতৌ তম্বদি ওইথোক্তে, অদুগা মহাকপু পাদবদি য়াদে।"— মহাক হায়রিবসি কনানো? মহাকপু পাদবা য়াদে হায়রিবনা করিগীনো? ১+৩=৪

৪। রামকৃষ্ণ পরমহংসদেবনা ভেলু এডুকেশনগী মতাংদা করি পাওতাক পীরমবগে? ৪

নত্রগা

ময়াই কাবা হিদাক (ড্রগ) মরিখক্কী মমিং ইয়ু। ৪

৫। ৱাহং অনীখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ৪×২=৮

(ক) "কনবিয়ু ননাইগী হিদোম
হোঞ্জগে ঈপাক য়ৌনবা।" — কবিনা কনাদা করি নিরিবনো? ৪

(খ) "উদবরা শরুহেনবী
য়াহৌ থেঙবী লৈরাংবী।"
— কবিনা কনাবু "লৈরাংবী" হায়না কৌরিবনো? লৈরাংবী অসিবু করিগী "য়াহৌ থেঙবী" হায়বিনো? ৪

(গ) "অরিবা ঈশৈগী থোঙ্গুল লীরগনি।" — 'অরিবা ঈশৈ' হায়রিবসি করিনো? মসিবু কনানা খোঙ্গুল লীরগনি হায়রিবনো? ২+২=৪

৬। মখাগী ৱাহংশিংসিদগী অনীথক খল্লগা খুম্মু ঃ ৫×২=১০

(ক) এলাংবম নীলকান্তনা মণিপুরী লোন অসি সংস্কৃত অমসুং বাংলা লোন্না চাহৎপীরল্লবা লোননি হায়রিবা করিগীনো? ৫

(খ) "লেপ্লে কল্লগে মোইরাং চনুরা।" -- লেপ্লে হায়রিবা মীওই অসি কনানো ? মহাক্না করি হায়না মোইরাং চনুরাশিংবু কনখিবগে? ১+৪=৫

(গ) "জগৎ অসিদা চাংদমনিংঙাই লৈতবী মৈতৈ নুপীনি।" — এস, কৃষ্ণমোহন সিংহনা শিংথাবিবা মৈতৈ নুপীগী মগুন মঙাখক ইয়ু। ৫



৭। STD হায়বদি ফিনুংগী লৌনবা লায়নাদগী নাবা অনাবা অমগী মরমদা খরদং ইয়ু। ৫

নত্রগা

ভেলু এডুকেশনগী তঙায়ফদবা মরম নত্রগা অহেনবা মরম খরা শন্নপা ইয়ু। ৫

৮। অমুদোন নোংয়াই হাক্তকফাও,
শীঙেল লৈপোপ কায়রমদে — লৈরিদো।"
— "অমুদোন নোংয়াই" অসি কনানো? 'শীঙেল লৈপোপ কায়রমদে' হায়রিবসিনা করি থৌদোকপু খঙহনবগে? ১+৪=৫

নত্রগা

'কমলদা' শৈরেংদা কবিনা কমলগী মতিক-মগুণবু করি হায়না শৈথাবগে? ৫

৯। য়াওফম মরী-মখোঙ তাক্লুনা শন্দোক্না ইয়ু ঃ ৬+৬=১২

(ক) কদোমদনো লম্বেনসিবু
চীনগা খুৎকা মান্নদবা,
লমথুংফমগা লম্বেনগী শম্নদবা,
ফিদমদগী মীশক্না লুবা।

নত্রগা

মতম কুইনগী তুংদা
লেংশিল্লক্কে ইমা মৈতৈ চনু
মৈতৈ সাহিত্য-মন্দির মনুংদা।

BELLAL HOSSAIN MONDAL

(খ) মহাক্কী লোইবা নাইদ্রবা লীলাশিংনা ভাবকপু খঙ্গহল্লি অমসুং নোকহল্লি — নোক্লা নোক্লা খনহল্লি অমসুং খন্না খন্না নোকহল্লি।

নত্রগা

ইংরাজী কবি বার্ডসর্বাথনা প্রকৃতিগী পৌরহিত্য তৌখিবগুম সংস্কৃত কবি কালিদাসনা প্রেমগী পৌরহিত্য তৌখিবনি।

১০। মখাগী ৱাহংশিংদগী অহুমখক্কী পাউখুম পীয়ু ঃ ৫×৩=১৫

(ক) সমাস (ৱাপুন) কদায়বু কৌবগে? সমাস মখল কয়ানো অমসুং করি করিনো। ২+১+২=৫

(খ) উপসর্গ (মাঙ ৱাতপ) কদায়বু কৌবগে? উপসর্গগী মখল কয়ানো অমসুং করি করিনো? ২+১+২=৫

(গ) কারক (থৌবাঙ) কদায়বু কৌবগে? কারক মখল কয়ানো অমসুং করি করিনো? ২+১+২=৫

(ঘ) বিভক্তি (পংখৈ) কদায়বু কৌবগে? বিভক্তি মখল কয়ানো অমসুং করি করিনো? ২+১+২=৫

১১। মখাদা পীরিবা হীরমশিংসিদগী অমগী মরমদা নিবন্ধ (Essay) অমা ইয়ু ঃ ১৫

(ক) থকসি-খাসি — ১+১+৩+২+২+২+২+২=১৫

(i) ৱাহৌদোক,

(ii) মীওইবগী পুন্সিদা থকসি-খাসি,



(iii) থকসি-খাসিনা পীরিবা কান্নবা,

(iv) যুমদা থকসি-খাসি,

(v) মহৈশঙদা থকসি-খাসি,

(vi) শান্নবুঙদা থকসি-খাসি,

(vii) লানফমদা থকসি-খাসি,

(viii) ৱারোই।

BELLAL HOSSAIN MONDAL

(খ) নঙনা পামজবা মৈতৈ কবি অমা —

১+১+২+৩+২+২+২+২=১৫

(i) ৱাহৌদোক,

(ii) কবিগী মিং, পোকফম - হৌভম অমসুং পোকপা-চহী,

(iii) কবিগী পুন্সি,

(iv) কবিগী শৈরেং অমসুং লাইরিকশিং,

(v) কবিদা পীখ্রবা মনা-মথুম(Awards),

(vi) অতোপ্পা লোন অমসুং সাহিত্যগী মমি তাব্রা?

(vii) নঙনা কবিবু পামজরুবগী মরম,

(viii) ৱারোই।

(গ) পাও-চে — ১+২+১+৩+২+২+২+২=১৫

(i) ৱাহৈদোক,

(ii) মখল-মথেলগী পাও-চে,

(iii) নঙনা হৌজিক পারিবা পাও-চেশিং,

(iv) পাও-চেনা পীরিবা কান্নবা,

(v) পাও-চে পাবা হায়বসি পোত্থাবগী পাম্বৈ অমনি,

(vi) পাও-চেনা মীয়ামবু লমজিংবী,

(vii) চেকশিনগদবা,

(viii) ৱারোই।

BELLAL HOSSAIN MONDAL



## GROUP - B

## (Old Course)

১২। ৱাহৈ নত্রগা ৱাহৈ পরেং ১/২দা পাউখুম পীয়ু ঃ ১×১০=১০

(ক) কৈবুল লমজাউ মাইল কয়ানা কোনবা লমনো?

(খ) শঙ্করদেবনা ভক্তবু মখল কয়া থোক্লা খায়দোক্লম্বগে?

(গ) মণিপুরদা বৈষ্ণব ধর্মগী শাফু কন্না ফুজিল্লকপা অসি করম্বা শতাব্দীদনো?

(ঘ) কমলগী শৈরেংদা 'ব্রহ্মচারী' না পুক্নীং তপ্না লাইনীংগে হায়না অচিকপা মফম থিখি। — করম্বা শৈরেংদনো?

(ঙ) "ওঃ নৈশ-শোক সঙ্গীত শকপা অহৈবা।" — 'অহৈবা' হায়রিবসি কনাবুনো?

(চ) "চীন্নাইদবী মরূপ ও ঙাইহাক্তসু ঙাইখো ও," — কনানা কনাদা 'মরূপ' হায়না কৌদুনা ঙাইখো হায়রিবনো?

(ছ) "কাঞ্চীকোনগী চেক-নুংশি।" — কনানা কনাদা অসুন্না শৈথারিবনো?

(জ) "অহাওবতা চাশি ঙসিদি ফজবতা শেৎশি।" — 'ঙসিদি' হায়রিবসি করি নুমিৎনো?

(ঝ) "ইনাওতোন, ইচীন ইনাওদা ঙাইরেদো।" — 'ইচীন-ইনাও" হায়রিবসি কনা কন্নানো?

(ঞ) কনানা নিংথৌ ওইরিঙৈদা ঔবানা মণিপুর লৌখিবগে?

১৩। তেন্না ৱাহৈ পরেং ৪/৫গী মনুংদা খুন্দু ঃ ৩×৬=১৮

(ক) কমলনা মতমদুগী মণিপুরী সমাজবু অন্ধবিশ্বাসনা কুপ্পুনা থম্লবা সমাজনি হায়রিবা করিগীনো?

(খ) শঙ্করদেবনা 'উত্তম' ওইরিবা ভক্তদা করি করি গুণ লৈগনি হায়না তাক্লম্বগে?

(গ) "কৈবুল লমজাউ ঐখোয়গীনি।" — কনানা হায়রিবনো? অসুন্না হায়রিবা করিগীনো?

নত্রগা

'মহাক্কী মতৌ তম্বদি ওইথোক্কে,
অদুগা মহাকপু পাদবদি য়াদে।"
— 'মহাকপু' হায়রিবা অসি কনানো? করিগীদমক্তা মহাকপু পাদবা য়াদে হায়রিবনো?

(ঘ) "শালি কুল্লাং কুমওনবা ।" — "শালি কুল্লাং" হায়রগা করিবু খঙবগে?

(ঙ) নাইতোম তাবা চেক্লানা করি হায়না মপাউ চেল্লম্বগে?

নত্রগা

"অসুপ ফজবরনে লৈবাক অসিবো।" — কবিনা লৈবাক অসিগী করম্বা ফজববু উখিবগে?



(চ) "ননাই ঐ য়াম্বুংগী থৌগল তৌজরিবনি।" — কনানা করি মতাংদা হায়রিবনো?

নত্রগা

"ননাইগী নীংবা কায়হনবীগনুকো।" — কনানা হায়রিবনো? মাগী নীংবা অসি করিনো?

১৪। "শা মখল অনীম্নসু লৈরম্মী।" — করি করি শানো? কদাইদা লৈরম্মী হায়রিবনো? শা মখল অনীসিগী মরমদা খরদং ইয়ু। ২+১+২=৫

নত্রগা

"অঙাংহল মিংফমগী চানবা তৌরমই।" — অঙাংহলনা অঙাংহল মীংফমগী চানবা তৌরমই হায়রিবা অসিগী মরম তাকউ। ৫

১৫। য়াওফম মরীমখোঙ তাক্লুনা শন্দোক্না ইয়ু ঃ ৭+৭=১৪

(ক) ভারতবর্ষ সাধনাগী লমনি। লম অসিদা যুগ যুগ খুদিংদা আবির্ভাব ওইখিবা মহাপুরুষশিংগী সাধনাগী মমল নাইদ্রবা অবদাননা ভারতকী সভ্যতা অমসুং সংস্কৃতিবু য়োকপীদুনা লাকপনি।

নত্রগা

অদুবু শা অসিসু নোংমা অধিকার পুম্বগা লোয়ননা পৃথিবীদা পোকখি। অতৈমক নত্রবসু হিংবগী অধিকার।



BELLAL HOSSAIN MONDAL

(খ) অসুপ লিংজেল মান্নবরনে মৈতৈসিবো
ও লিংজেল মান্নহৌরো মৈতৈ পুম্নমক ঙসিদং
চহীচুপ্পা লিংজেল মান্ননবা।

নত্রগা

ফজবা ফজবা ওঃ মমীৎ তাঙখ্রে উবা ঙমদ্রে
নুংশিবা অচুম্বা
চাকথেকখ্রে শরু ময়ামগী মৈরিদা'
ময়াই কাবগী লানফমদা।

১৬। কবি কমলগী কল্পনাদা উখিবা সমাজ অমদি জগৎ অদুগী
ফজবা শক্তমশিংদু নশাগী ৱাহৈনা ইরকউ। ১০

নত্রগা

শঙ্করদেবনা শন্দোক্লম্বা ধর্ম অদু করি কৌই? মহাক্না শন্দোক্লম্বা
ধর্ম অদুগী ফজবা পাউতাকশিংদো শন্দোক্না তাকউ।
২+৮=১০

১৭। অশাংবম মীনকেতননা মাগী 'কমলদা' হায়না মিংথোনব
শৈরেংদা কমল কায়নবগী অৱাববু করি হায়না শৈথাবগে
৮

নত্রগা

'লমগী চেক্লা অমদা' শৈরেংদা কবিনা চেক্লাদা হংখিবা অ
করিনো? কবিনা চেক্লাদগী মতৌ করন্না পাউখুম ফংখিবগে
৪+৪=৮



১৮। মণিপুরনা ঔৱাগী মখুৎতা চহী তরেৎ লৈখিবা অসি কনাগী
মরালদগীনো। মরম পীদুনা নশাগী পাউখুমবু শৌগৎলু।
১০

নত্রগা

ঔৱাগী মখুৎতগী মণিপুর কন্নবা মার্জিৎনা ময়াম্বুং চৌর্জিৎতা
হায়জবগী মতাংদা মখোয় অনীনা শান্নখিবা ৱারী অদু শন্দোক্না
ইয়ু। ১০

১৯। ৱাপুন (সমাস) কদায়বু কৌবগে ? ৱাপুন মখল কয়ানো
অমসুং করি করিনো? মখলশিংদুদগী অহুমখক লৌখৎলগা
খুদমগা লোয়ননা মখোয়গী মশক তাকউ। ২+২+৬=১০

নত্রগা

ৱাতপ (প্রত্যয়) হায়বসি করিনো? ৱাতপ মখল কয়ানো অমসুং
করি করিনো? মখল খুদিংমক্কী খুদমগা লোয়ননা মশক
তাকউ।

২০। অমদংগী প্রবন্ধ রচনা (Essay) ইয়ু ঃ ১৫

(ক) আসামগী মহৌশাগী পোৎখোক —
১+৩+৩+২+২+২+২=১৫

(i) ৱাহৌদোক,

(ii) মখ-মথেলগী পোৎথোকশিং,

(iii) মীওইবদা পীরিবা কান্নবশিং,

(iv) সরকারদা পীরিবা কান্নবা,

(v) পোৎথোকশিং মপুং ফাদনা মাঙহনবদগী ওইহল্লি
অমাঙবা,

(vi) সরকারনা পায়খৎলিবা ঙাক-শেনবগী থৌরাং,

(vii) ৱারোই।

(খ) পুন্সিগী পান্দম— ১+৪+২+২+২+২+২=১৫

(i) ৱাহৌদোক,

(ii) পান্দম থম্বগী কান্নবা,

(iii) পান্দম লেপত্রিঙৈদা তৌফম থোকপা মথৌদাংশিং

(iv) হৈনবা, হৈনদবা অমসুং পান্দম,

(v) অপান্বতা য়েংদুনা পান্দম লেপ্পগী অমাঙবা,

(vi) পান্দম ফংনবা তৌফমথোকপা মথৌদাংশিং,

(vii) ৱারোই।



(গ) হকচাং শাজেন — ১+২+২+৪+২+২+২=১৫

(i) ৱাহৌদোক,

(ii) অরূবা শাজেন,

(iii) অরায়বা শাজেন,

(iv) শাজেনগী কান্নবা,

(v) শাজেনগী মফম অমসুং মতম,

(vi) শাজেন চুন্না তৌদবদগী ওইরকপা য়াবা অমাঙবা,

(vii) ৱারোই।

GET IT ON Google Play
Install Now
AHSEC Question Paper Arts Stream HS 2nd Year ASSAM
HS Arts Question Paper
BELLAL HOSSAIN MONDAL©